# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



Charlie and Sydney (Sr)



Sophia Loren



Marlon Brando

- চার্লিনা মাগী পুন্সি ব্রারীদু হেক ফোঙখিবগা ফিল্ম অমমুক পুথোক্লবা খনবা হৌখ্রে। ফিল্ম অদুগী প্রোদ্যুসরনা Jerry Epstein না ওইদৌরি অদুগা ফিল্মদু য়েন্থোকপগী থবক্লা Universal কম্পেনিনা তৌগদৌরি। ফিল্ম অদুগী মমিংনা 'A Countess From Hong Kong' কৌরগে খনখি।
- তশেংবদি ফিল্ম অদু চহী ৩০গী মমাঙদা খনখ্রবা ব্রারীনি। মদু মাগী অহুমশুবা নুপী Paulette কীদমক ইখিবনি। মতমদুদা মমিং অদুসু Stowaway কৌরম্বনি। অদুবু কুইনা নমশিনখিবনা স্কৃপ্টতুগী লামায় খরা, নোট মতেক মতেক খরা নত্তনা মাঙখ্রবনি। হন্দক অমুক ইনৌ নৌনা শেমগৎলগে খনখ্রে। ব্রারী পরিংসু খরা শেমদোক্লে। হান্নদি Countess অদু Shanghai সহরদগী লাকপী ওইহল্লম্মী। অদুবু হন্দক্তি হোং কোংদগী লাকপী ওইহল্লে। হিরো Ogden Mears থোনবা অদুসু শাদানবা ওইহল্লম্বদগী হন্দক্তি মিলিয়ন্নিয়ার ওইহল্লে।
- হিরো Ogden না আমেরিকাগী মিলিয়নিয়ারনি অদুগা হিরোনী Natascha হায়বীসিনা রসিয়াদগী Shanghai দা চেল্লকপনি। মশাগী চহী ১৩দা ডাকু অমগী চান্নবী ওইরকপনি। অদুনা মহাক্না অমেরিকান পাসপোর্ট অমগী মতেংনা অমুক ডাকুদুগী মখূত্তগী নাম্থোক্লবা হোৎনবনি।
- Natascha গী ব্রারীদুদা নুংশিবীদুনা Ogden না মাগী লৈফমদুদা লোৎহন্দুনা থম্বীবনি। অদুবু আমেরিকাগী পাস-পোর্ট ফংনবগীদমক Ogden না Natascha বু Hudson গা মপান্থোংগী মান্নবা লুহোংবা তাখি। Hudson হায়বসি নুপী থিদৌবা মীওই নত্তে, মহাক Ogden গী দ্রাইভর ওইনা লৈবনি। অদুবু মমৈদদি Ogden না মাগী নুপী খাইনখ্রগা Countess অদুগা নুংঙাইনা লৈমিন্নখিবগী ব্রারীনি।
- অদুবু লাইবক থীবদি চার্লিনা A Countess from Hong Kong হায়বদু নম্নবা হোৎনরিঙৈদা ময়াম্বা সিদনি শিরে হায়বা পাউ লাক্লে। Nice হায়বা লমদুদা লৈখ্রবনি। মশাগী চহী ৮০ শুখ্রে। ১৯৬৫গী এপ্রিল ১৬কী নুমিদাং পুং ১১দা লৈখিদবনি। নুমিৎ অদুমক্তি চার্লিগীসু চহী ৭৬ চপ চানা শুবগী মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লিবনি। চার্লি নোংঙানবগা মপা শক্লক্লবা ময়াম্বা সিদনিগী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা Nice পাংখ্রে, মতৈমা জিপসি উনরুরে। অদুগা Marseilles তা পোৎলোইলুরে। ময়াম্বগী উৎ অদু পুরক্তুনা Montreux তা ফুন্নরে।
- মচিন-মনাও তোয়না উনখি, ময়াম্বগী পুন্সি লোইরমদাইসিদা। মতৈমা জিপসিগা মাগী নুপী উনাগসু হরাউনা লোয়নখি। অয়াম্বা মতমদা ময়াম্বগা মতৈমগসি কালেন থাদা স্বিজরলেন্দদা কোয়রকই। সিদনি লাকপসি চার্লিগী মচাশিংগীদি হরাওবীনি। মতৈমা জিপসিসু মশকসু ফজৈ, ফাগী হৈ, লেম্বসু হৈ, লোয়নবা নুংঙাইবা মীনি। অদুবু মহাক্না সিদনিদা ওংলকত্রিঙৈগী মাগী পুন্সি ব্রারীদি অমুক্তসু লীথোক্লমদে। অমরোমদনা সিদনিসু মপুন্সিদা মচা মমিৎতা উরক্তুবনা চার্লিগী মচাশিংবু লুনা তৌবী। মানা ফাগী তৌদুনা, চার্লিগী মতৌ তমদুনা ঙাঙবদা অঙাংশিংদু মনাক্তগী হেন্দোক্লদে। মানা লাপ্না Nice তা লৈরসু অঙাংশিংদা চিঠী শাংনা শাংনা ইরকই। ফাগী কয়া ইরকই। মানা ইখিবা ফাগী মশীংদু হঞ্জিন্দনবা ইখিবা খুদিংগী মাগী কার্বোন কপি অমমম থমহৌই।
- চার্লিবু পন্দুনা ফাগী তৌবদা মচাশিংনা ব্রা-ব্রা নোকপদা চার্লিদু শাউবা য়াওখি, মতমদুদা সিদনিদি কৈসু হায়খিদদৌনা তুমিন্না লৈথোক্কনি। করিগুম্বদনা মনাও নুপাগী চাউখ্রবা য়ুমদুগী ফজখ্রবা থোঙনাও অমদা ফম্লগা লৈকোল, পাৎ, চীং-মান য়েংদুনা তুমিন্না লৈখি। তারমদাইগী নুমিৎ য়েংদুনা।
- ১৯৬৫ অসিদি চার্লিগী অৱা-নুংঙাই চহী ওইখি। চহী অসিদা মমিং লৈরবা মনা Erasmus Prize হায়বদু মাগা Ingmar Bergman হায়বদুগা পূন্না ফংমিন্নখি। চহী অসিগী নবেম্বর ১১দনা জর্নেলিষ্ট ২০০ রোমগী ওইবা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা A countess from Hong Kong হায়বা ফিল্মদু নম্লনি হায়না লাউথোকখি। মদুদা মমিং লৈরবী এক্ট্রেস Sophia Loren সু য়াওখি।
- ফিল্ম অসিগী মমিংসি চার্লিনা অহানবদদি The Countess খক্তা থোনগে খল্লুবনি । অদুবু মমিং অসিদি হান্না মীনা শীজিন্নখ্রে হায়বা তাবদগী A Countess of Hong Kong হায়না ওন্থখিবনি। অদুগা ফিল্ম অসিদা চার্লি মশাদি কৃম্বা য়াওদে। মশানা দিরেক্টর ওইবদনি। ১৯২৪দা A woman of Paris হায়বা অদুমগা মশা কৃমখিদে। অদুবু ফিল্ম অনীমকসিদা মহাক্কী guest appearance তি পীখি। মচানুপা সিদনি জুনিয়রদি য়াওখি। মপানা মাবু ফাগী হৈবা good comedian নি হায়খি।
- Press Conference অদুদা পাউমী অমনা চার্লিদা অমেরিকাগী মতাংদা হংবদা মানা খুমখি - ''ঐ মফমদুদা অমুক চৎকে হায়বা খনবা লৈত্রে, খঙদে অদুবু ফিল্মগীদমক চৎতবা য়াদ্রবদি চৎলক্কদ্রা?'' অদুগা অসিমসু হায়খি ''ঐ হোলিৱুদপুদি য়ানদবা লৈতে, পাউ ফাওনরি।''
- অসুম্না A Countess of Hong Kong হায়বদু ১৯৬৬কী জন্যুৱারী ২৫দগী নম্বা হৌখি। ফিল্ম অসি নম্লিঙৈদা মাগী ৭৭শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। অদুগা ফিল্ম অসিনা মাগী ইহান হানবা মচুগী ফিল্ম ওইখি। অদুগা ফিল্ম অসিনসু ওইখি, অহানবা মানা দিরেক্সন পীবা, ফাওখিবা, মালেমগী মমিং লৈরবা এক্টর এক্ট্রেসকী মথক্তা। মখোয়দুদি Sophia Loren অমসুং Marlon Brando নি।
- চার্লি মরাইবক ফৈ হায়বা তাই - ফোটোগ্রাফীগী দিরেক্টর অফবা অমা ফংজখি। মহাক্ত Arthur Ibbetson নি। অদুগা দিজাইন্নর অফবা অমসু ফংজখি। মহাক্তুনা Don Ashton নি। মখোয় অনীদুনসু চার্লিবু য়াম্না ইকায়খুম্নজে।
- ফিল্ম অদু নম্লিঙৈদা চার্লি লোক লাইহৌনা নাদুনা মতম খরা নম্বা লেপখি। অদুবু ফিল্মদু নম্বদা শুপ্নগী চয়োল ১৪দমক চঙখি। য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা ফিল্ম অসিগী অরোইবা সিন নম্বা নুমিৎ ১৯৬৬কী মে ১১, য়ূমশকৈশা নুমিৎতু মানা হেক ফিল্মদা চঙলকপা, Key-stone কম্পেনিদা য়াওরকপা নুমিত্তুদগী পাবদা চপ চানা চহী ৫২গা থা ৩ ফারে।

-মথং-মথং

# চীঙ্গাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি

## এন্টি-ওক্সিদেন্টশিং মরাং কায়বা শৌগ্রী



শৌগ্রী অসি ঐখোয়না মখল অনী থোক্লা খায়দোকই। মউ শংবা অমসুং অঙাঙবা মউ ওইবা শৌগ্রী, অসুম্না মখল অনী শুই। মউ ঙাঙবা শৌগ্রীবু ঐখোয়না মণিপুরদা শিলো শৌগ্রী হায়না খঙনৈ। শিলো শৌগ্রীনা চুম্নগী অন্ধ্র প্রদেশ, মণিপুর, ত্রিপুরা অমসুং মিজোরামদা চীঙ্গাক্কী আইটেম অমা ওইনা য়াম্না পাম্না চানৈ। শৌগ্রী পাম্বী মচা (চারা) অসি চুম্নগী শৌগ্রী মনা অচৌবা অমনি। ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা শৌগ্রী অসি চীঙ্গাক ওইনা অচারগুম্বদা হেন্না শিজিন্নৈ, অদুবু মণিপুরদদি মসি চম্না নৎত্রগা থাউ ঙৌরগা থোংঙলগা ইঞ্জাং ওইনা চানৈ।

চীঙ্গাক ওইনা শিজিন্নবা নত্তবদদি শৌগ্রী অসি মসিগী মপ্রাম লৌদুনা লিমোনগী মহুৎ ওইনবগীদমক্তা পাক শন্না থানৈ। মণিপুরদদি শৌগ্রী অসি চানবগীদমক ঈঙ্খোল কোইবদা থানৈ। অন্ধ্রদদি শৌগ্রী অসি শিল্লপ তৌবা মহাউ লৈবনা হৱাই থোংবদা পাক শান্না হাপ্পে। বর্মাদা শৌগ্রী অসি পাক শন্না চানৈ। শৌগ্রী মনাগা চনম, খজিং অতেকপা নৎত্রগা অকংবা, মোরোক অতেকপগা ঙৌরগা অহাওবা মথেল অমা শেম্লগা চানৈ। শৌগ্রী মনাগা খজিং অকংবগা থোংবা অসি বর্মাদা অহাওবা মথেল ওইনা চানৈ। মণিপুরদা শৌগ্রীদা খজিং অকংবগা থোংবা হায়বসি অচম্বা অহাওবা ইঞ্জাং মথেল অমনি হায়না লৌনৈ। ফিলিপিন্সতা শৌগ্রী মনা অমসুং লৈ অসি য়েন থোংবদা অশিনবগী মহাও চেলহনবদা শিজিন্নৈ। ভিয়েটনামদা শৌগ্রী মনা অচৌবা, মউ অমসুং মহয়বু ঙা নৎত্রগা ঙাপ্রুমগা সুপশিং থোংবদা শিজিন্নৈ। শৌগ্রীদা আইরন, ভিটামিনশিং, ফোলিক এসিদ অমসুং এন্টি-ওক্সিদেন্টশিং মরাং কায়না য়াওই। দাইটরি ফাইবর মপুং ফানা য়াওবগা লোয়ননা পোটাসিয়ম, ফোসফরস, কেলসিয়ম অমসুং মেগনেসিয়মসু শৌগ্রীদা য়াওই। শৌগ্রীগী মহয়বু ঐখোয়না হর্বেল টি ওইনা শিজিন্নবা য়াই। মসিনা লোকথুংবা, নাতোন ফূনবা, লোক চেনবা ফহল্লি, কিদনিগী ফঙ্কসন ফগৎহল্লি অমসুং লিভরগী অনাবশিংদসু কান্নবা পী। থিবোং-থিরিন শেংদোকপা অমসুং ঈশিং পৌহনবদসু শৌগ্রী অসি কান্নৈ। ব্লদ প্রেসর থেংনবা অমসুং এন্টি কেন্সর প্রোপর্টিগীদমক্তসু শৌগ্রীদগী শেম্বা হর্বেল টি শিজিন্নৈ।

# মালেমগী অঙকপশিং

## রসিয়াগী হর্মিটেজ ম্যুজিয়ম

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ম্যুজিয়ম মরিগী মনুংদা রসিয়াগী সেন্ট পিটরসবর্গতা লৈবা হর্মিটেজ ম্যুজিয়মসু অমনি। কুমজা ১৭৬৪ দা কেথরিন দ গ্রেটনা লিংখৎখিবা অমসুং কুমজা ১৮৫২ দগী মীয়াম য়েংবা য়াহনখিবা ম্যুজিয়ম অসিদা তোঙান তোঙানবা পোৎলম মিলিয়ন অহুমলোম লৈ। মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা ম্যুজিয়ম অসিদা অয়েকপা লাই কয়ামরুমসু লৈ। কুমজা ১৭৬৪ দা কেথরিন দ গ্রেটনা নোংচুপ য়ুরোপতা তোপ-তোপ্পা মখলগী অয়েকপা লাই ২০০ রোম লৈরগা ম্যুজিয়মদা থম্বা হৌখিবনি। হৌজিক্তি লিওনার্দো দা ভিন্সি, গোগ্বিন, মাইকেল এঞ্জেলো, মানেট, মোনেট, পিকাসো, রফেল, রেম্ব্রান্দ, রেনোইর, রোদিন, রুবেন্স, টিটিয়ন, ভেন গোঘ, অমদি অতৈ মমিং চৎলবা লাই য়েকপশিংনা য়েক্লম্বা লাই কয়ামরুম লৈরে। তোঙান তোঙানবা মখলগী অয়েকপা লাই খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা মফমসু ওইরিবা ম্যুজিয়ম অসি মতম অমদা নিংথৌনা লৈরম্বা কোনুং মনুংগী বিল্ডিং তরুক্তা শেমগৎপনি। মপান লৈবাকশিংদা ম্যুজিয়ম অসিগী এক্সিবিশন সেন্টর কয়ামরুমসু হাংদোক্তুনা থম্লি। ম্যুজিয়ম কমপ্লেক্সতা লৈবা বিল্ডিং তরুক্কী মনুংদা মঙা ৱিন্টর পেলেস, স্মোল হর্মিটেজ, ওল্ড হর্মিটেজ, ন্যু হর্মিটেজ অমসুং হর্মিটেজ থিএটরদা মীচম মীয়াম চঙবা য়াহল্লি।

অহানবদা বিল্ডিং অমখক ওইরম্বদগী কাইনথংদা কোনুং মনুং অমদি মনাক নকপদা লৈবা বিল্ডিং কয়া ম্যুজিয়মগী শরুক ওইনা লৌশিল্লে। ম্যুজিয়মদা উৎলিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ১৩ শুবা চহীচাদগীনা ২০ শুবা চহীচা ফাওবগী ওইনা য়ুরোপিয়ন পেন্টিং, স্কলপচর অমদি এপ্লাইদ পার্ট কয়া য়াওরি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মরু ওইবা বিল্ডিং মরিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা মথোলদা উৎপনি। কুমজা ১৮৫২ দগীনা মতুং তারকপা ফাওবগী ওইবা ইজিপ্টকী পোৎলম কয়াসু ৱিন্টর পেলেসকী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা উৎলি। মদুগী মনুংদা অরিবা মতমগী মেসোপোটামিয়াগী নাৎকা মরী লৈনবা পোৎলমশিংসু য়াওই।

জর্মন অর্কিটেক্ট লিও ভোন ক্লেঞ্জনা দিজাইন তৌবা ওল্ড অমদি ন্যু হর্মিটেজ বিল্ডিংশিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী শরুক অয়াম্বা ক্লাসিকেল এন্টিক্বেটিশিংগী কলেক্সননা মফম কল্লি। অহানবা ফ্লোরগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং শিংথানিংঙাই ওইবা শরুক্তি ''হোল ওফ ত্বেন্টি কোলম'' হায়না খঙনবা গ্রেনাইট অমদি মার্বলনা শেম্বা শরুক অদুনি।

ৱেষ্টর্ন পেলেসকী নোংচুপ থংবা শরুক্তা কোকোসসকী প্রিহিষ্টোরিক আর্টিফেক্ট অমদি কলচরগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়ামরুম গ্রাউন্দ ফ্লোরদা থম্লি। প্রিহিষ্টোরিক আর্টিফেক্টশিং অদু রসিয়া অমদি মতম অমগী সোভিএট য়ুনিয়নগী তোঙান তোভানবা মফমদগী লৈনুংদগী ফংখিবা পোলিওলিথিক অমদি আইরন এজ মতমগী পোৎলম ঙাক্তনি।

কুমজা ১৭৬৪ দগী কেথরিন দ গ্রেটনা বর্লিনগী মর্চেন্ট জোহান অর্ন্স্ট গোটকোস্কিদগী অয়েকপা লাই কয়া লৈশিন্দুনা ম্যুজিয়মগী মচাক খোমজিনবা হৌখি। মপুন্সিদা মহাক্না অয়েকপা লাই ৪০০, অরিবা লাইরিক ৩৮,০০০, অতাঙবা মখলগী নুঙ ১০,০০০, শেনয়েক ১৬,০০০ অমসুং মেদল কয়ামরুম খোমজিল্লম্মী।

কুমজা ১৯১৭কী ওক্তোবর রিভোলুশন মতুং তারকপদা ইম্পরিয়ল হর্মিটেজ অমদি ৱিন্টর পেলেস পুনশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী মরল ওইখি। মতুং তারকপদা মরু ওইবা লন্নাই ম্যুজিয়ম অয়াম্বা সোভিএট গভর্ণমেন্টনা লৌশিনবগা লোয়ননা মদুদা থল্লম্বা পোৎলমশিং অমদগী অমদা থাংদোক থাংজিন তৌখি। একাদমি ওফ আর্টসতা থল্লম্বা ১৯ শুবা চহীচা মতমগী মরু ওইবা পোৎলম কয়ামরুম কুমজা ১৯২২ দা হর্মিটেজদা পুরকখি।

কুমজা ১৯৩০ দগী কুমজা ১৯৩৪ ফাওবদা হর্মিটেজগী মমল য়াম্লবা পোৎলম লিশিং অনী হেন্না নিলাম লাউদুনা য়োনথোকখি। কুমজা ১৯৪১ দা জর্মন লাম্মীশিংনা সোভিএট য়ুনিয়ন্দা লান্দারকপা মতমদা ম্যুজিয়মগী পোৎলম কয়ামরুম পুখিরম্মী। বোম থাদদুনা অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক শেমজিল্লগা কুমজা ১৯৪৪ গী নবেম্বরদা ম্যুজিয়ম অদু অমুক হাংদোকখি। কুমজা ১৯৪৫ গী নবেম্বরদা হান্নগী পোৎলম অয়াম্বা অমুক হন্না পুরকখি। ম্যুজিয়মদগী দোলর ৫৪৩,০০০ লোমগী পোৎলমশিং হুরানখিবা তারবসু কুমজা ২০০৬ কী অরোইবা শরুক্তা পোৎলম অয়াম্বা অমুক হন্না ফংবা ঙমখি।

হৌজিক্তি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হর্মিটেজগী মশা মরেং ফন্দোরক্তুনা এমষ্টরদাম, কজান, ইটলি, লেনিনগ্রেদ, বার্সেলোনা, ভ্লাদিভোষ্টোক, সাইবেরিয়া, লিথুৱানিয়া অমদি লন্দনগী সোমরসেট-নচিংবদা হর্মিটেজ ম্যুজিয়মগী মশা লৈরে।

কুমজা ২০০২ দা অলেকজেন্দর সোকুরোভনা হর্মিটেজ ম্যুজিয়মগী মরমদা মপুং ফানা উৎপা ''রসিয়ন আর্ট'' কৌবা ফিল্ম অমা পুথোকখি। টেলিভিজন সেরিয়ল কয়াসু পুথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা পোৎলম মিলিয়ন অহুম হেন্না লৈবা রসিয়াগী হর্মিটেজ ম্যুজিয়ম অসি মালেমগী ওইনা আর্টকা মরী লৈনবা পোৎলম খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা ম্যুজিয়মনি।

# মচল কয়া য়াওরবা য়েন্দং

য়েন্দং অসি মণিপুরদা ইন্দিজিনস মনা-মশিংগী হীদাক পাম্বী মখল অমনি অমসুং মসি মনা-মশিংগী ইঞ্জাং ওইনসু চানৈ। মসি হিংনা কোৎপা, শিংজু তৌবা অমদি ইরোম্লগা চাবা য়াই তৌইগুম্বসুং ভিজিটেবল অসি কাংহৌসু চানৈ।



*য়েন্দং ইরোম্বগী মচল :*

চাং য়েংদুনা য়েন্দং খরা, ইঞ্চিমুক্কী চাংদা মতেক মতেক থেক্কনি। আলু ময়ায় ওইরপ্পা অমা (মকূ খেৎকনি), হৱাই মঙ্গল মপুম অতিংবসু য়াই (শেংনা চামথোক্কনি), মোরোক অকংবা ৬/৮ মুক চাং য়েংলগা ঙারি খরা চাং য়েংলগা (৪-৬ ফাওবা) ঙামু লৈরৌ নৎত্রগা অয়াইবা অমা, থুম, মরোই-মপাং খরা।

*শেম-শাবা, থোংবগী মওং :*

য়েন্দং, আলু, মোরোক অকংবা পুন্না প্রেসর কূকরদা ঈশিং কপ অমা মখায়গা হাপমিন্নগনি। অপীকপা পাত্র অমদা ঙারি অমসুং ঙাদু (চামথোক্লগা) হাপ্লগা, কূকর মনুংদুদা হাপচিনগনি। প্রেসর কূকরদু অনীরক্তমক কামথোকপীগনি।

খুদক্তা মনিল থোকহল্লগা ঙারিগী পাত্রদু লৌথোক্লগা তোঙান্না ঈংহনগদবনি। অকাম্বা ইরোম্বা ময়ালদু মখা পাকপা পাত্র অমদা হাপ্লগা ঈংহনগদবনি।

ঈংথরগা ঙারি, ঙা, মোরোক অকংবা অমসুং থুম পুল্লপ তকখাইগনি। মেৎখাইগনি। মতুংদা অফূৎপা মনা-মশিংদু হাপচিল্লগা নিংথিনা নৈগনি লোনগনি। অপাম্বা চাংদা মহী হাপ্পা য়ারে। ইরোম্বদু নৈ-নৈরগা মহী হাপকদবনি। মরোই-মপাং হাপচিল্লগা চাককা চাবা য়ারে।

# মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

## মেরিয়ন কোটিলার্দ



ফ্রেঞ্চ এক্ট্রেস মেরিয়ন কোটিলার্দ কুমজা ১৯৭৫ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা পেরিসতা পোকখি। অপোকপা জোন-ক্লোদ কোটিলার্দ এক্টর, ওজা, মাইম আর্টিষ্ট অমদি ডিরেক্টরনি। অপোকপী নিসিমা থিলোদসু এক্ট্রেস অমদি দ্রাম্বা তম্বীবনি।

মৌপ্বা নুপা ফাইবোক ক্বেন্টিন অমদি জুইলোম মথংশিংনা স্কৃপ্ট রাইটর অমদি ডিরেক্টরনি। কোটিলার্দনা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা এক্টিংগা শাগোন্নদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মপাগী দ্রামা অমদা ইহান হান্না শক্তম লাংখি। থিয়েটরদা মতেক-মতেক য়াওরম্বদগী মতম খরা টেলিভিজন সেরিজ খরদা রোল মচা-মচা ফংবা হৌরকখি। ফিল্মদা খোঙদাবা হৌরকখিবদি কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদনি। মতম খরা ফ্রেঞ্চ ফিল্মশিংদা কূল্লম্লবা মতুং কুমজা ২০০৩ দা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা হোলিৱূড ফিল্ম ''বিগ ফিশ'' তা সপোর্টিং রোল অমা ফংখি।

চহি অদুমক্তদা মহাক্না রোমান্টিক কোমেদি ফিল্ম ''লভ মি ইফ য়ু দ্যের'' দসু শক্তম লাংখি। ''এ ভেরি লোং এঙ্গেজমেন্ট'' তা টিনা লোম্বার্দিগী শক্তম লাংখিবগীদমক মহাক্না সিজার এৱার্দ ফোর বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেস ফংখি। কুমজা ২০০৮ গী ফেব্রুৱারি ১০ দা মহাক্না বি এ এফ টি এ এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংদুনা মনা অসি ফংবা ইহান-হানবা ফ্রেঞ্চ এক্ট্রেস ওইবা ঙমখি।

চহি অদুমক্তদা ওস্কার এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনাসু ফংখি। মহাক্না কৃমখিবা মরু ওইবা ফিল্মশিংদি ''পব্লিক এনিমিজ'', ''নাইন'', ''ইন্সেপ্সন'', ''মিডনাইট ইন পেরিস'', ''কোন্টেজিয়ন'' অমদি ''ড দার্ক নাইট রাইজেজ'' নচিংবনি।

মহাক ফিল্ম কৃম্বখক নত্তনা ঈশৈ শকপা, গিটার খোংবা অমদি কিবোর্দ পায়বসু নীংথিনা হৈ। মসিদসু নত্তনা এনভাইরোনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম ফনা লৈহন্নবা ''গ্রীনপীস'' কা খুৎশম্নরগা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা মহাক্না ফ্রেঞ্চ এক্টর জুলিয়ন রাসমগা ইহান হান্না নুংশি মরী থম্নখি। তুংদা ফ্রেঞ্চ এক্টর ষ্টেফন গ্যুরিন-টিলি, ফ্রেঞ্চ শৈশকপা মিনক্ল্যের ফ্রেঞ্চ এক্টর অমদি ডিরেক্টর জ্যুলোম কেনেটকসু মথং-মথং নুংশিনখি। কুমজা ২০১২ গী মে ২০ দা কোটিলার্দ অমদি কে নেটকী মচানুপা অমা ফংজরে হায়না লাউথোরকখি।

